# রাম রহিমনা মচানুপীগা লৈমিন্নহন্দ্রবদি জেলগী ষ্টাফ সস্পেন্দ তৌগনি কিনহনখ্রে



চান্দিগর, ওগষ্ট ২৮ (এজেন্সী):

চহী ২০ জেলদা থবক শুহন্দুনা থম্নবা কোর্টনা ৱায়েল পীখ্রবা দেরা সচা সাউদাগী লূচিংবা গুরমিট রাম হরিম সিংহনা য়োকচবী মচানুপীগা লোয়ননা জেলদা লৈহন্দবা তারবদি ষ্টাফ পূম্নমক সস্পেন্দ তৌহনগনি হায়না কিহনখ্রে।

রাম হরিম অমসুং মহাক্না য়োকচবী হনিপ্রিতনা পঞ্চকুলাগী সী বি আই কোর্টতা মখোয় অনী জেলদা পুন্না লৈমিন্নবগী অয়াবা পীবিয়ু হায়জখি। রাম রহিমনা হীরম অসিগী মতাংদা হৌনবী মতুং ইন্না পিটিসন অমা ফাইল তৌখি। হনিপ্রিতনসু মহাক্কী উকিলগী খুত্থাংদা মপাগা পুন্না লৈমিন্নবা য়াহনবীয়ু হায়না হায়জখি।

ৱাফম অদুবু অয়াবা পীখিদবগা লোয়ননা সী বি আইগী কোর্টনা হায়খি মদুদি, রেপকী মরাল লৈরবা মীওই অমবু অতোপ্পা মীওই অমগা জেলদা পুন্না লৈমিন্নহন্নবগী মতাংদা অয়াবা পীবা ঙমদে। গভর্ণমেন্ট নৎত্রগা জেল এদমিনিষ্ট্রেসন্না হীরম অসিগী মতাংদা ৱারেপ লৌগদবনি। জেল এদমিনিষ্ট্রেসন্নসু নুপী অমবু নুপা কনভিক্ট অমগা লোয়ননা জেলদা পুন্না থম্মিন্নবা য়ারোই হায়না খঙহল্লকপদগী রাম রহিমনা জেলগী ওফিসারশিং থবক লৌথোক্কনি হায়না কিহনখি হায়রি।

অমরোমদা, গুরমিট রাম রহিম সিংহগী ৱায়েল চথরিঙৈদা অৱাংবা থাক্কী সিক্যুরিটি ওফিসলশিংগী ওইবা মীফম অমা পাঙথোক্তুনা থোরকপা থৌদোকশিংগী মতাংদা কুপ্না খন্নখ্রে।

ন্যু দিল্লিগী নোর্থ ব্লোক্তা পাঙথোকখিবা মীফম অদুদা য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্টর রাজনাথ সিংহ, নেসনল সিক্যুরিটি এদভাইজর অজিৎ দোবাল, হোম সেক্রেটরি রজিব মেহরিশি, ইন্টলিজেন্স ব্যুরো (আই বি)গী মকোক রজিব জেন অমসুং অতৈ হোম মিনিষ্ট্রিগী ওফিসলশিং শরুক য়াখি হায়রি।

মীফম অদুনা পঞ্জাব অমদি হরিয়ানাদা ওইরক্লিবা সিক্যুরিটিগী ফীভম কুপ্না খন্নখিবগা লোয়ননা গুরমিট রাম রহিম থল্লিবা সুনারিয়া জেলদা হেন্না কনবা সিক্যুরিটিগী চেকশিন থৌরাং লৌখৎনবা খন্নখি।

অমরোমদা, সী বি আইগী ওফিসার ওইরম্বা মীওই অমনা হায়খি মদুদি, মতম অমদা দেরা সচা সাউদাগী লূচিংবা গুরমিট রাম রহিম সিংহগী মথক্তা কেস লৌখৎখি। অদুবু মকোক থোংবা ওফিসলশিংনা কেস অদু ক্লোস তৌশিনখিনবা খঙহল্লকখি।

মশাগী চহী ৬৭ শুরবা সী বি আইগী জোইন্ট দিরেক্টর ওইরম্বা এম নরায়ননা হায়খি, কুমজা ২০০৭তা মহাক্না দেরা সচা সাউদাগী কেস পায়খি। অদুবু কেস অদু পায়বা হৌবদা ঙাইরিঙৈদা মকোক থোংবা লূচিংবশিংনা অথুবা মতমদা কেস ক্লোস তৌশিন্নবা খঙহল্লকখি।

অমরোমদা, মশানা মশাবু তাইবঙ শেন্বা মপুগী মতিক ময়াই চেল্লি হায়জবা অশারাম বাপুগী মথক্তা রেপ কেসকা মরী লৈননা চথবা ট্রাইয়েল খোঙজেল য়াঙশিনহন্দবগীদমক সুপ্রিম কোর্টনা গুজরাট গভর্ণমেন্টপু য়ানিংদবা ফোঙদোকখ্রে।

# ব্লু হ্বেল চেলেঞ্জ : য়ু পিদা ক্লাস সিক্সকী নুপামচা অমা থৌরী য়ান্দুনা শিজখ্রে



লখনৌ, ওগষ্ট ২৮ (এজেন্সী):

ব্লু হ্বেল ওনলাইন গেম শান্নরুবদগী উত্তর প্রদেশতা মশাগী চহী ১৩ শুবদা ঙাইরিবা নুপামচা অমসু মশা মথন্তা থৌরী য়ান্দুনা শিজখ্রে। ক্লাস সিক্সতা তম্লিবা নুপামচা অদু নোংমাইজিং নুমিৎকী নুমিদাংদা মোদাহ খুঙ্গংদা লৈবা মশাগী ময়ুমদা থৌরী য়ান্দুনা শিজখিবনি।

পুলিসনা ক্লাস সিক্স তম্লিবা নুপামচা অদুনা অপোকপা মপাগী ফোন্দা ব্লু হ্বেল ওনলাইন গেম শান্নরম্বগী খুদম থেংনখি। গেম অসিগী মতুং ইন্না চেলেঞ্জ ৫০ মায় পাক্লবা মতুংদা শান্নরিবা মীওই অদু মশা মথন্তা শিজগদবনি হায়রি।

ইমুং-মনুংনা ফোঙদোরকপগী মতুং ইন্না পার্থ সিংহ কৌবা নুপামচা অদু হৌখিবা নুমিৎ খরনিগী মমাঙদগী ব্লু হ্বেল গেম শান্নদুনা লাকখি হায়রি। মমা-মপানা পার্থদা খুদোংথিনিংঙাই ওইবা গেম অদু শান্নদবা অকনবা ৱাফম ফোঙদোক্লুবদগী নুপামচা অদুনা খুদোংচাবা তাঞ্জা য়েংলগা অপোকপা মপাগী মোবাইল ফোন্দা হায়রিবা ওনলাইন গেম অসি শান্নরম্বা থেংনখি।

থাংজ নুমিৎকী নুমিদাংৱাইরমদা পার্থনা মমান্নবা অমগী মপোক নুমিৎকী থৌরম য়াওবা চৎকদবনি। অদুবু মশাগী কাদা থোঙ লোনশিল্লগা লৈখি।

মথন্তা পোকচবা মচানুপানা কা মনুংদা থোঙ লোনশিন্দুনা লৈখিবদা নুংশা থিরবা অপোকপনা কয়ারক হন্না থোঙ হাংদোক্লবা খঙহনখি। অদুবু থোঙ হাংদোকউ হায়বা য়াদবদগী থোঙ কাউখায়রগা নমদুনা চঙশিনবদা নুপামচা অদু থৌরী য়াল্লগা শিদুনা লৈরম্বা থেংনখি।

দিরেক্টর জেনরেল ওফ পুলিস সুলখান সিংহনা দিষ্ট্রিক্ট পুলিস চীফশিংদা থাখিবা চেরোল অমদা য়ুনিয়ন গভর্ণমেন্টনা খুদোংথিনিংঙাই ওইরবা ওনলাইন গেম থিংজিন্নবগী মতাংদা পীখিবা য়াথং অদু ঙাক্লা চৎনবা খঙহনখি।

ইন্দিয়াদা মতৌ অসুম্না ব্লু হ্বেল গেম শান্নরুবদগী মী শিবগী থৌদোক থোকপা হন্দক্না অহানবা নত্তে। নুমিৎ খরনিগী মমাঙদা ৱেষ্ট বেঙ্গলগী মিদনাপোর দিষ্ট্রিক্টতগী ক্লাস টেন তম্বদা ঙাইরিবা নুপামচা অমা মশা মথন্তা শিজখি। ওনলাইন গেম অসি শান্নরুবদগী মুম্বাইদা চহী ১৪ শুবদা ঙাইরিবা নুপামচা অমা দোল্লান্দগী চোংথরগা শিখিবনি।

চৈরকসিদা, কেরলাগী নুপী অমনা মমাঙ থাদা ওনলাইন গেম অসি শান্নরুবদগী চহী ১৬তা শুবদা ঙাইরিবা নুপামচা অমা থৌরী য়ান্দুনা শিজখি হায়না ফোঙদোরকখ্রে।

মীওই কয়া মথং মথং থৌদোক থোকখ্রবা মতুংদা সেন্ট্রেল গভর্ণমেন্টনা গুগল, ফেসবুক, ৱাটসএপ, ইন্সটাগ্রাম, য়াহু অমদি মাইক্রোসোফটতা ব্লু হ্বেল গেমগী লিঙ্ক লৌথোক্লুবা খঙহনবা লৈখ্রবনি।

মিনিষ্ট্রি ওফ ইলেক্ট্রোনিক্স এন্দ ইনফোর্মেসন টেক্নোলোজিগী ষ্টেটমেন্ট অমনা হায়খি, ওনলাইন গেম শান্নবদগী মীওই কয়া মশা মথন্তা শিজখি হায়বা ৱাফম অসি অথুবা মতমদা থিগৎনবা থৌরাং লৌখৎলগনি।

# গোৱা এসেমব্লিগী বাই-ইলেক্সনদা মনোহর পরিকার মায় পাক্লে



পনাজি, ওগষ্ট ২৮ (এজেন্সী):

হান্না য়ুনিয়ন দিফেন্স মিনিষ্টর ওইরম্বা অমসুং হৌজিক্না গোৱাগী চীফ মিনিষ্টর ওইরিবা মনোহর পরিকারনা পনাজি কন্সটিটুয়েন্সীদা পাঙথোকখিবা গোৱা এসেমব্লিগী বাই-ইলেক্সনদা ভোট মশীং ৪,৮০৩ হেন্দুনা মায় পাকখ্রে।

পরিকারনা অপুনবা ভোট মশীং ৯,৮৬২ ফংখিবদা মহাক্কী খ্বাইদগী নক্ক বা লম্বা ওইখিবা কোংগ্রেসকী গিরিস চোন্দানকারনা ভোট ৫,০৫৯ ফংখি। গোৱা সুরক্ষ মঞ্চকী অনন্দ সিরোদকারনা শুপ্নগী ভোট ২২০ ফংদুনা অহুমশুবা তাখি।

পরিকার অমসুং বিশ্বজিৎ রানেনা মীখলদা মায় পাক্লবা মতুংদা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা ত্বিটরগী খুত্থাংদা মায় পাক্লবা মীরেপ অনীবু থাগৎপা ফোঙদোকখি।

মহাক্না হায়খি, মনোহর পরিকার অমদি বিশ্বজিৎ রানেনা মথংশিংনা পনাজি অমদি বালপোইদা মায় পাক্লকপদা থাগৎপা ফোঙদোক্লি। বাই-ইলেক্সনদা বি জে পিবু শৌগৎলকখিবা গোৱাগী মীয়ামদসু তৌবিমল খঙবা উৎলি।

মীখলগী ফল লাউথোক্লবা মতুংদা পাউমীশিংগা উনখিবদা পরিকারনা হায়খি, হন্দক্কী মীখলদা শোয়দনা মায় পাক্কনি হায়বগী থাজবা লৈখি। হৌজিক্তি গোৱা এসেমব্লিগী মেম্বর ওইরবনিনা অথুবা মতমদা রাজ্য সভাদগী রিজাইন তৌরগনি।

বি জে পিনা গোৱাদা সিঙ্গল লার্জেষ্ট পার্টি ওইবা ঙমদ্রবসু এলাইয়েন্স অমদি ইন্দিপেন্দেন্ট এম এল এশিংগা খুৎশম্নদুনা লৈঙাক শেমখ্রবা মতুংদা পরিকারনা ষ্টেট পোলিটিক্সতা অমুক হল্লকখিবনি।

পনবা য়াবদি, কুমজা ১৯৯৪দা পরিকারনা এসেমব্লি কন্সটিট্যুয়েন্সী অসিগী মীখলদা মায় পাক্তুনা কুমজা ২০১৪ ফাওবা এম এল এ ওইরম্লবনি।

মীখল মতুংদা কোংগ্রেসনা খ্বাইদগী মশীং য়াম্বা পার্টি ওইজরবসু বি জে পিনা গোৱা ফোরৱার্দ পার্টি, মহারাষ্ট্রৱাদি গোমন্তক পার্টি অমসুং ইন্দিপেন্দেন্টকী মতেং লৌরগা চুংশিন্নবা লৈঙাক অমা শেমখি।

মতৌ অসুম্না পরিকারনা লূচিংবা চুংশিন্নবা লৈঙাক অমা গোৱাদা লৈরিঙৈগী চৈরক্তা পরিকার মশামক চীফ মিনিষ্টরগী ফম থাদোক্লগা দিফেন্স মিনিষ্টর ওইখি।

# ইন্দিয়া, চাইনানা দোক্লামদগী লান্মী লৌথোকপগী ৱাফম য়ানখ্রে

ন্যু দিল্লি, ওগষ্ট ২৮ (এজেন্সী) :

ইন্দিয়া অমদি চাইনানা সিক্কিম বোর্দরদগী লান্মী লৌথোক্লুবা ফিরেপ লৌখিবা মরম্না দোক্লামগী ৱাথোক লোইশিনবা য়াবগী ফীভমদা লৈরে।

দিপ্লোমেটকী থাক্তা নাকল অনী ৱারী শানরবা মতুংদা দোক্লামদগী লান্মী লৌথোকপগী ৱাফম য়ানখিবনি হায়না মিনিষ্ট্রি ওফ এক্সটর্নেল এফেয়র্সসকী স্পোক্সপার্সন রবিস কুমারনা ফোঙদোকখি।

হন্দক মরক ইন্দিয়া অমসুং চাইনানা দোক্লামদা থোক্লিবা ৱাথোক্কী মতাংদা দিপ্লোমেটকী থাক্তা পাউ ফাওনদুনা য়ানবা পুরক্লুবা হোৎনদুনা লাকখিবনি।

মিনিষ্ট্রি ওফ এক্সটর্নেল এফেয়র্সকী ৱারোল অদুগী পাউখুমদা চাইনানা হায়খি মদুদি, য়েৎনরিবা ঙমখৈদগী চাইনানা লান্মী লৌথোক্লুবগী মতাংদা লৌরক্লিবা ফিরেপ অসি থাগৎনিংঙাইনি।





চাইনিজ ফোরেন মিনিষ্টর স্পোক্সৱিমন হুৱা চুনয়িংনা হায়খি, দোক্লামদা লৈরম্বা ইন্দিয়াগী লান্মী অমসুং খুৎলাই অয়াম্বা লৌথোকখ্রে। চাইনাগী ওইনদি লৈবাক্কী মনুং চন্না লৈবা ঙমখৈগী শরুক্তা মখা তানা পেট্রোলিং চৎলি।

দোক্লামদা ওইরক্লিবা ফীভমগী মতাংদা ইন্দিয়া অমসুং চাইনাগী আর্মি ওফিসারশিংনা পাঙথোকখিবা ফ্লেগ মিটিং মপুং ফাদনা লোইশিনবা লৈখ্রে।

সিক্কিমদা পাঙথোকখিবা মীফম অদুদা নাকল অনীমক্কী আর্মি ওফিসারশিংনা দোক্লামদা হৌজিক হৌজিক ওইরিবা ফীভমগী মতাংদা কুপ্না খন্নখিবনি।।

মহৌশাদি ফ্লেগ মিটিংশিংদা ব্রিগেদিয়র থাক্কী ওফিসারশিং শরুক য়াখিবনি। অদুবু হন্দক পাঙথোক্লিবা মীফম অসিদদি নাকল অনীমক্কী ওইনা মেজর জেনরেল থাক্কী ওফিসারশিং শরুক য়াখি।

নাকল অনীমক্কী মেজর জেনরেল থাক্কী ওফিসারশিং শরুক য়াখিবা বোর্দর পার্সনেল মিটিং (বি পি এম)দা ইন্দিয়ানা য়েৎনরিবা দোক্লামদগী নাকল অনীমক্না চপ মান্নবা মওংদা লান্মী লৌথোক্লুবগী ৱাফম পুখৎখি। য়ুল্লোন্নরিবা লৈবাক অনীনা অৱাংথংবা লদাখকী দোলট বেগ ওলদি, অরুনাচল প্রদেশকী কিবিতহু, লদাখকী চুশুল, অরুনাচল প্রদেশকী টৱাং মনাক্তা লৈবা বম-লা অমসুং সিক্কিমদা মফম মঙা থোক্না ফ্লেগ মিটিং পাঙথোকখি।

লদাখতসু ইন্দিয়া অমসুং চাইনাগী লান্মীশিংগী মরক্তা মুক্লুবগী থৌদোক থোকখ্রবা মতুংদা নাকল অনীনা বোর্দর পার্সনেল মিটিং (বি পি এম) পাঙথোকপা লৈখ্রে।

চুসুলদা পাঙথোকখিবা বি পি এমদা নাকল অনীনা ঙমখৈদা ঈং-তপ্পা ফীভম হঞ্জিলহন্নবা খন্ন-নৈনখি হায়না আর্মিগী সোর্ছ অমনা ফোঙদোকখি।

## ওজা রিয়াজুদ্দিনবু থাগৎচরি



অনাবা মীশিংগী মপানি হায়বসু য়ারে ইচাদি, ঐগী পুন্সিসে চহী ৮৮ মপুং ফারে। অদুবু ঐনা নুঙশং নারিবা চহীসিনা চহী ২৪ মপুং ফাগদবা থা অহুম ফাদ্রে। ঐ কবিরাজ অতোপ্পা খরগী হীদাক চারে অদুবু ইকান কান্নদ্রে। ঐগী অমাঙথোং চাউথোকপা ফিষ্টুলা তৌদুনা ফম্বা য়াদবা, মরী-মতাং তিংবা পাঙ্গল শোন্থবা, নাকোং য়ৈশনবা, তাবা ঙম্বগী চাং য়াম্না ৱাৎপসিগী মতাংদা গুৱাহাটি ফাওবা য়ৌরুরে। অদুবু ফবা কৌবা লৈতে। অদুবু ইচানুপাগা পুন্না থবক তৌমিন্নবা এম দি ইমতিয়াস আলি কৌবা অমনা **ওজা রিয়াজুদ্দিন বুয়ামযুম**গী মোবাইল নম্বর **৯৮৫৬৭৯৭৩৩৮** অমসুং **৭০৮৫৪৯৪৭৮৩** অসি পীরক্তুনা ৱারী শানজবদগী মাগী ক্লিনিক ময়াং ইম্ফাল কোঞ্চাক বজারদা চৎতুনা লায়েংদুনা হীদাকশিং ফজনা চাবদগী নুমিৎ ১৮ নিগী মনুংদা অমাঙথোং চাউথোকপা অমদি ফিষ্টুলানা ফম্বা য়ারমদবশিং লোইনা ফরে। না তাবগী চাংসু ফজনা ফগৎলে। চাদা ৮০ মুক্কী চাংদা ফজনা তারে। অতৈ অনাবদি পুংফ ফরে। অদুনা ওজা নহাকসে ইচাগুম্না থম্মোয় শেংনা নুংশিজবগা লোয়ননা মতম চূপ্পদা ঈশ্বরনা থৌজানবীবা ওইসনু! তেক্ত-কায়দনা ঐগুম্বা অশোনবা অহল কয়াগী অনাবশিং মায় পাক্লা লায়েংবা ঙম্বা ওইসনু হায়না থৌনিজরি অমসুং থম্মোয় শেংনা থাগৎচরি।

*লায়েংফম* ঃ 1. North AOC Near Kekrupat 3 Star Palace Building. Time : 10:30 am to 4:00 pm.

2. Mayang Imphal Konchak. Time : 6:00 am to 10:00 am.

*থাগৎচরিবা* ঃ **MD. AMIR**
Moreh, ☎ 7629079166

HL-B/4061/29

# দিপক মিস্রানা অনৌবা চীফ জষ্টিস ওইরে

ন্যু দিল্লি, ওগষ্ট ২৮ (এজেন্সী) :

জষ্টিস জগদিস সিংহ খেহরগী মহুত্তা জষ্টিস দিপক মিস্রাবু ঙসি ৪৫শুবা চীফ জষ্টিস ওফ ইন্দিয়া ওইনা ৱাশক লৌখ্রে।

মশাগী চহী ৬৪ শুরবা জষ্টিস মিস্রানা ওরিষা হায় কোর্ট অমদি সার্বিস ট্রাইব্যুনেলদা কন্সটিট্যুসন, সিবিল, ক্রিমিনেল, রেভিন্যু অমদি সার্বিস এন্দ সেলস টেক্সকা মরী লৈননা প্রেক্টিস তৌদুনা লাকখিবনি।



প্রসিদেন্ট রাম নাথ কোবিন্দনা মহাকপু থবক পায়বা অমদি অরোনবা ঙাকপগী ৱাশক লৌখি।

রিপোর্ট অমগী মতুং ইন্না মমাঙ থাদা মতমদুগী চীফ জষ্টিস খেহরনা জষ্টিস মিস্রাবু ফম অসি পায়হন্নবা নোমিনেট তৌখিবনি হায়রি। মুম্বাইদা বোম পোকখায়হনবদা চেন্নবা য়াকুব মেমন অমদি ফিজোথেরেপি ইন্টর্ন অমবু ফম্লানবদা চেন্নবা মীওই মরি শিবগী চৈরাক পীখিবদা জষ্টিস মিস্রা য়াওখি।

থা ১৩ চীফ জষ্টিসকী থৌ পুগদৌরিবা জষ্টিস মিস্রানা য়েৎনরিবা রাম টেম্পল অমদি বাব্রি মসজিদকী কেসতা অরোইবা ৱায়েল পীগনি হায়রি। কুমজা ১৯৭৭তা এদভোকেট ওইনা থবক তৌবা হৌখিবা মীওই অসি কুমজা ২০১১দা সুপ্রিম কোর্টকী জজ ওইখিবনি।

**MODERN INSTITUTE OF TEACHER EDUCATION**
KOHIMA, NAGALAND

M : 9436001307
8974468544
www.emite.co.in
Email : mite_kohima@yahoo.com

**POST VACANCY**

Applications are invited from candidates for the following post at MITE, Kohima.

| Sl. No. | POST | Qualification | No. of Post |
|---|---|---|---|
| 1. | Faculty in Pedagogy subject (English, Mathematics, Science & Social Science) | Masters in English, Mathematics, any Science & any Social Science Subject and M.Ed. with 55% | 1 each |

Salary will be as per UGC Pay-Scale.
Candidates with Ph.D, NET, SLET and Teaching Experience are desirable.
Interested candidates may apply at the earliest.
*For details, refer NCTE new regulations and norms, 2014*

HL-P/2708/29,31,2 Sept. Sd/- Managing Director

**GOVERNMENT OF MANIPUR**
**PUBLIC HEALTH ENGINEERING DEPARTMENT**

**NOTIFICATION**
Imphal, the 26th August, 2017

**No. CE/PHE/1-1(NG)/2017/1901 :** In continuation of this office notification No. CE/PHE/1-1(NG)/2017/1671 dated 07.8.2017 for recruitment of 20 (twenty) Office Assistant cum Computer Operator. The tentative recruitment time line for following items has been revised as under.

1. Date of Issue of Admit Card : 04/09/2017 to 07/09/2017
2. Date of Written Exam. : 24/09/2017 (venue & time to be notified later)
3. Computer Skill Test : To be notified later.

**Sd/- H. Sunil Singh,**
Chief Engineer, PHED,
Govt. of Manipur.

HL-P/2704/28,29&30

# অন্ধ্র প্রদেশতা টি দি পিনা মায় পাক্লে

ন্যু দিল্লি, ওগষ্ট ২৮ (এজেন্সী) :

অন্ধ্র প্রদেশকী চীফ মিনিষ্টর এন চন্দ্রবাবু নাইদুনা লূচিংবা টেলেগু দেসম পার্টি (টি দি পি)না ষ্টেট অসিগী নন্দিয়াল এসেমব্লি কন্সটিট্যুয়েন্সীদা পাঙথোকখিবা বাই-ইলেক্সনদা মায় পাক্লে। পার্টি অসিগী মীরেপ ভুমা ব্রহ্মানন্দ রেদিনা মহাক্কী খ্বাইদগী নক্ক বা লম্বা ওইখিবা ৱাই এস আর কোংগ্রেসকী মীরেপ সিলপা চন্দ্র মোহন রেদিদগী ভোট ২৭,০০০ হেন্দুনা মায় পাকখিবনি।

হৌখিবা মার্চ থাদা নন্দিয়ালগী লেজিসলেটর ভুমা নেগি রেদি লৈখিদ্রবা মতুংদা ইলেক্সন কম্মিসন্না মমাঙ চয়োলদা কন্সটিট্যুয়েন্সী অসিদা বাই-ইলেক্সন পাঙথোকখি।

পনবা য়াবদি, কুমজা ২০১৪গী মীখলদা রেদিনা ৱাই এ আর কোংগ্রেসকী মীরেপ ওইনা মায় পাকখিবনি। অদুবু নাইদুনা লূচিংবা টি দি পিদা চোংশিনখি।

কুমজা ২০১৪গী এসেমব্লি ইলেক্সন মতুংদা ৱাই এস আর কোংগ্রেসকী এম এল এ ৬৭ টি দি পিদা চোংশিনখিবদা মহাকসু য়াওখি।

মমাঙ চয়োলদা পাঙথোকখিবা বাই-ইলেক্সনদা অরানবা থৌওং অমত্তা চথবা ঙমহন্দনবা অকনবা চেকশিন থৌরাং লৌখৎখিবগা লোয়ননা দ্রোন কয়ামরুম শীজিন্নখি।

বি জে পিগা চৎমিন্নরিবা টি দি পিনা অন্ধ্র প্রদেশকী নন্দিয়ালদা পাঙথোকখিবা বাই-ইলেক্সন্দা মায় পাক্লকপদা প্রাইম মিনিষ্টরনা থাগৎপা ফোঙদোকখ্রে।

**খঙহঞ্জবা**

Bombay Money Lender Act 1946 কী মতুং ইন্না মণিপুর লৈঙাক্কী মখাদা "Kangleipak Hotnamal (কংলৈপাক হোৎনমল)" কৌবা Financial Institute অমা, H/o Khurai Konsam Leikai (Imphal East District, Manipur) দা লিংখৎচরগনি। কনাগুম্বা য়েৎপীনিংবশিংনা পাউচেদা হাপচরিবা নুমিৎতগী নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নি ফাওবগী মনুংদা য়েৎপীরকপা য়াগনি।

**Sd/- Ngangkham Premeshwar**
**Managing Director,** Kangleipak Hotnamal,
Khurai Konsam Leikai, I/E, Manipur

HL-P/2666/29

**URGENT JOB VACANCY**
**GOVT. OF MANIPUR**
**REGD. NO. 14/006/21/06926**

| | | | |
|---|---|---|---|
| **STAFF FOR BANKING SECTOR FOR IMPHAL & NORTH EAST REGION** | | | |
| 1. | Account Opening, B.D.E. | Graduate | 14000-20000 |
| 2. | Sitting Staff, Operational Staff | Graduate | 18000-Above |
| 3. | Loan Officer, CSP | XII-Above | 10000-Above |
| 4. | Tele Caller, Sale Executive | XII-Above | 8000-15000 |
| **AIRPORT POST VACANCY FOR IMPHAL, DELHI & GUWAHATI (Direct Placement Without Training)** | | | |
| 1 | Cargo Executive, CSA | Graduate | 18000- Above |
| 2 | Ground Staff, Air Ticketing | XII | 12000-18000 |
| 3 | Loader, Cleaner & Driver | VIII | 8000- Above |
| **URGENT POST VACANCY OF IMPHAL** | | | |
| 1 | Recovery Officer, Accountant | XII | 5000-Above |
| 2. | Reception, Front Office (Thoubal) | X | 4500-Above |
| 3. | Nurse (Male/Female) | … | 4500-Above |
| 4. | Marketing Executive (Google) | XII, Graduate | 10000-18000 |
| 5. | Sales Girl/Boy (Mall) | XII | 6000-10000 |
| 6. | Security (Mall) | VIII | 8000-Above |
| 7. | Sales Girl/Boy (Showroom) | X | 5000-8000 |
| 8. | Security, Driver, Chowkidar | VIII | 5500-Above |
| 9. | Gunman, Supervisor | VIII | 8000-Above |

**# SPECIAL GUIDELINE FOR ARMY RECUITMENT FOR 100% SUCCESS** (Tradesman, G.D, Technical).
**# Earn Extra Income upto 15000/- per month.**
(Student, Housewife, Employed, Unemployed etc) can also apply,

**LAST DATE : 08/09/2017** **INTERVIEW : 09/09/2017**

**# 8575340288**
**# 9774745268**

**RIVALRY GUIDANCE CENTRE**
Sagolband Thangapat, Near UBI ATM

HL-P/2528/29,31,2,3,4,6,7

**IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR : IMPHAL WEST - PATSOI**

***Ref:- Mut. Case No. 673/SDC/IW(P) of 2017***

Nandeibam Apabi Leima w/o (L) Mani Meetei of Patsoi Part-II. -Petitioner

-Vs-

Late Nandeibam Mani Singh s/o (L) Gulamjat Singh of Patsoi Tulihal. -Deceased Pattadar

**NOTICE**
The 28th August, 2017

Under Section 46 (3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুং ইন্না মরী লৈনবশিংগী মফমদা পাউচেগী খুত্থাংদা খঙহঞ্জরি। ঈঃ ওঃ পাৎশোই তহশিলগী খুল নং ৮০-পাৎশোইগী পাট্টা নং ৮০/১৫০ (অরিবা), ২৪৮ (অনৌবা) দাগ নং ২৩৯২ গী এরিয়া ০.৩৭ একর চাওবা ইষ্ঠোল অসিগী পাট্টাদার অসি মৃ: ওইখিবনা মথক্তা পল্লিবী দংকারিনি অসিনা মৃ: পাট্টাদার মপুরোইবগী স্বর্ত্তদা অমদি দখলগী মতুং ইন্না নামা পাঞ্জরগে হায়দুনা উক্ত কোর্টতা অইবা চেরোলনা দরখাষ্ট থারক্লে। অদুনা মৃ: পাট্টাদারগা মরী লৈনবা মীওইশিং অমদি মচা-মশুশিংনা য়েৎপীনিংবা লৈরবদি লাক্লিবা তাং ০৭/০৯/২০১৭ ইংগী অয়ুক পুং ১১:০০ তাবা ফাওবগী মনুংদা দরখাষ্ট থাবীদুনা য়েৎপীহৌবা য়াগনি। মসিগী মতুংদা লাকপা ৱাকৎ লৌজরোই অমদি কোর্টকী হুকুম চথরগনি।

***Sd/-* Kherdananda P.**
Sub-Deputy Collector,Imphal West, Patsoi

HL-P/2718/29

**IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR: WAIKHONG**

***Ref:- Mut. Case No. 237/SDC/Waikhong of 2017***

1. Mayanglambam Manitomba Singh s/o (L) M. Yaima Singh of Wapokpi,
2. -do- Ongbi Memcha Devi w/o M. Joy Singh of -do-. ... Applicants

-Vs-

(Late) Mayanglambam Ibeni Devi w/o (L) M. Yaima Singh of Wapokpi.

**NOTICE**
Waikhong, the 28th August, 2017

Under Section 46 (3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুং ইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংগী মফমদা খঙহল্লি মদুদি ৱাইখোং তহশিলগী মনুংদা লৈবা খুল নং ৯১-সুগু পাট্টা নং ৯১/৭৯০/১৯৫৬ দাগ নং ১৩৬৭/১৭৭৮ এরিয়া ০.১১ একর ইষ্ঠোল অসিগী পাট্টাদার মৃ: ওইখ্রে। মরম অদুনা দরখাষ্টকারিগী মিংদা নামা পানবীরো হায়না উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অদুনা কনাগুম্বা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎপীনিংবা লৈরবদি লাক্লিবা তাং ৪/৯/২০১৭ ইং, অয়ুক্কী পুং ১১:০০ ফাওবগী মনুংদা অইবা চেনা দরখাষ্ট থারক্কদবনি। করিগুম্বা অয়েৎপা লৈত্রগদি কেস মখা চথজরগনি।

***Sd/-* Sub-Deputy Collector:**
Waikhong, Manipur

HL-P/2149/29

**DIRECT ADMISSION IN INDIA & ABROAD**

**MBBS in BANGLADESH**
DHAKA, CHITTAGONG, RANGPUR & RAJSHAHI
(**)1st PAYMENT 5 LAKH [TOTAL PACKAGE 20L]
REMAINING INSTALLMENT WITHIN 4 YEAR
HURRY!!! LIMITED SEATS ONLY

**MBBS in INDIA, KYRGYSTAN, CHINA, KAZAKH & PHILIPPINES**

We Provide Special Coaching For ANATOMY, BIOCHEMISTRY, PHYSIOLOGY and BENGALI (Language) by our RENOWNED PROFESSORS with audio and Visual Class Beforehand

**B.Sc./M.Sc.**
Agriculture, Forestry, Horticulture, Fishery, Medical Microbiology, B.Pharm., B.E./B.Tech (all stream) CBZ, BPT, B.Sc. Nursing, GNM,
at DEHRADUN, CHANDIGARH BENGALURU & GUWAHATI
TOP & OLDEST RECOGNISED COLLEGES

**BDS in INDIA (no donation)**
Top Colleges Recognised by DCI

BAMS Ayurvedic Few SEATS

Regional Office :- Office Regd. No. 548/SR(IE)
**LUWANG EDUCATIONAL TRUST**
Palace Compound Near Pioneer Academy, Imphal East
9856167106 7005683347
Visit us at :- www.luwangedutrust.com

HL-B/4054/4to3 Sept.